**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা মণিপুরদা হয়েংদগী য়াওশং কুম্মৈ হৌননবা মথুম মরাং হৌনা শেম শান্নরে।

২) য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) এক্সাইস বিভাগকী অনৌবা মহিন্দ্র বোলেরো গারি ৫ ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লমথাখ্রে।

৪) লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী য়েংলগা য়াওশঙ কুম্মৈ কা হেন্না হেদোই হেরাউ কানা, শাংথনা পাঙথোক্তনবা করাম শ্যাম এম.এল.এনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) ভারত অমসুং কানাদাগী মরক্তা ঙসি য়ান্নচে অহুম সহি তৌনখ্রে।

------

য়াওশঙ (এল)ঃ মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা মণিপুরদা হয়েংদগী য়াওশং কুম্মৈ হৌননবা মথুম মরাং হৌনা শেম শান্নরে। লৈকাই লৈকাইশিংদা ক্লবশিংনা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকবা থৌরাং তৌনরে। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈগী মাংওইননা ঙসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীনা চিকা চাইনবা ঙমদনা তিনখি। কৈথেল অসিগী অকোইবদা লৈবা

লন্থীশিং কা হেন্না চিনবদা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকখি।

য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা য়াওশঙগী পাউজেল পীরদুনা হায়- য়েনিং থা লাক্লমদাইগী মতমদা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিনা ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি উৎথোকপদা নত্তনা ঐখোয়গী মীয়াম মরক্তা পুনশিনবা অমসুং হরাউ নুংঙাইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। য়াওশঙ স্পোর্টস অমসুং থাবল চোংবা য়াওনা নাৎকী চৎনবী কয়ানা ঐখোয়গী খুনাই অসিগী অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপদা হেন্না মতেং পাংবা ওইরসনু হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা য়াওশঙগী পাউজেলদা হায়- য়াওশঙ অসি রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা নুংশিনবগী শক্তম উৎলিবা কুম্মৈ অমনি। য়াওশঙ মনুংদা মহৌশাদগী লৈজরকপা মশান্নশিং য়াওনা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লিবা অসিদা তোঙান তোঙানবা খুনাইগী মীওই কয়ানা শরুক য়ারি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমক অমত্তা ওইনা রাজ্য অসিব্ হেন্না চাওখৎহন্নবগী মাইকৈদা চংশিনমিন্নবা ঙম্বা ওইরসনু। য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিদা নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌনা কাংলুপ কয়াগী মরক্তা লৈনরক্লিবা নুংশিনবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমসুং ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকপা ওইরনসু। য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা কাংলুপ ফুরুপকী খেন্নবা কাউথোকদুনা ঐখোয় পুমমক্কী থম্মোয়দা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। চয়েৎনবা ৱাথোক পুমমক লোইখিদুনা হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা পীবা পাউজেলদা হায়- য়াওশঙ কুম্মৈ মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা মীয়ামা শরুক য়াদুনা হরাউ নুংঙাইনা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা

য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা হরাউবা, নুংশি চান্নবা অমসুং নুংঙাইবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা শ্রী রোবিন্দ্রোনা হায়- য়াওশঙ অসি ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা নাৎ চৎনবী অমসুং কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী শক্তমশিং উৎলিবা ফজরবা কুম্মৈ অমনি। নুমিৎ মঙানি চখগদৌরিবা কুম্মৈ অসিনা নুংঙাইবা অমসুং অপুনবগী শক্তমগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু।

এক্সাইস(এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্যগী এক্সাইস বিভাগকী অনৌবা মহিন্দ্র বোলেরো কেম্পর (পিকঅপ) গারি ৫ ঙসি লমথাখ্রে। গাড়িশিং অদু ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদগী লমথাখিবনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- গারিশিং অসি এক্সাইস বিভাগনা মতম মতমগী ওইবা দরকার লৈবা থবক থৌরমশিং, মপুং ওইনা আইন্না য়াদবা মওংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক করবার তৌরিবশিং ফাগৎপদা শিজিন্নগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট কম্মিসনার ঙাংবম রাজেশনা হায়- ঙসি খুৎশিন্নরিবা গাড়িশিং অসিনা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা এক্সাইজ ষ্টেসনশিংগী পার্সোনেলশিংনা মথৌ তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

থৌরম অদুদা এক্সাইস বিভাগকা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং পার্সনেলশিংনা শরুক য়াখি।

লোদি দিখো (এল)ঃ রাজ্যগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা লৈখিদ্রবা এম.এল.এ- বুংজাগিন বালতেগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে। খোঙচৎ অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাখি।

শ্যাম (এল)ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- য়াওশঙ কুম্ন্দে অসি হৱাউ নুংঙাইবগী কুম্ন্দে অমা ওইরবসু লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী য়েংলগা কা হেন্না হেদোই হেরাউ কাদনা পাঙথোকপনা ফজবা হেনগনি।

য়াওশঙগা মরী লৈননা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা শ্রী শ্যামনা হায়-লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই লিশিং কয়ানা ৱারিবশিং অসিগী য়েংলগা য়াওশঙ কুম্ন্দে মতম শাংথনা পাঙথোকপসু চুমলোই। মতম অমদা য়াওশঙ হৌরবা মতুংদা নাকথেং চৎপগী চৎনবী লৈরবসু, য়াওশঙ হৌগদবা মতম ৱাৎলিঔদগী হৌনা লম্বী লমজাউদা মফম কয়াদা গাড়ি থৎতুনা শেল নিবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। গাড়ি য়াংনা থৌবা নেসনেল হাইৱেনচিংবদা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথবনা অশোক অপন থোরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মহাক া হায়- য়াওশঙ মতমদা স্পোর্টস পাঙথোকপগী ইহৌ অমা লাক্লিবা অসিদি য়ামা ফৈ। অদুমওইনমক, শান্ন-খোৎনবগী ইভেন্টশিং অসি মীয়ামদা ঙাইহাক্তংগী নুংঙাইহন্নবা মওংদা পাঙথোকপগী মহুৎতা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা তুংগী অফবা শান্নরোই অমা ওইরকপা ঙমগদবা মশান্নশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংবসু কান্নগনি।

রোবিন্দ্রো (এল)ঃ ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ঙসি কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা চাবুং কম্পনি অৱাং লৈকাইদা নৌনা শাবা ক্লবকী শঙলেন অমা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রোবিন্দ্রোনা হায়- চহি অহুমলোম মণিপুরগী ইরাংনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং নিংথিনা পায়খৎপা ঙম্লুদ্রবসু হৌজিক্তি অনৌবা সরকার অমা লাক্লবনিনা মীয়ামগী অৱাৎ অপাশিং মেনখৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ ইন্টরেষ্ট সবভেন্সন ফোর ৱিমেন ওন এম.এস.ইস এন্দ লোজিষ্টিক্স ষ্ট্রেংথন্নিং ফোর এম.এস.এম.ইস হায়বা হিরমদা রাজ্য থাক্কী ষ্টেগহোল্ডর কন্সলটেসন ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা

পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দাইরেক্তোরেটনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ৱার্কসোপ অদুদা মনিদকোগী মেনেজিং দাইরেক্তর ঙাংবম রোমেননা হায়- কেন্দ্র সরকার অমসুং ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মখাদা রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স প্রোগ্রাম পায়খৎতুনা পোত্থোকশিং নিংথিনা য়োনবা ঙমবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি। মমাং চহিগী এপ্রিল থাদগী চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ফাওবগী মনুংদা এম.এস.এম.ইগী উধ্যম পোর্তেলদা রেজিষ্টর তৌরকপগী চাং লিশিং ৩২ য়ৌখি।

থৌবাল (এল)ঃ কিহোম মনাদগী মগুন লৈবা লং পুথোকবগী মতাংদা মমাং থাগী ২০ দগী হৌদুনা কে.ভি.কে থৌবালদা চথ্বরকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিসনার য়ুমাম রোবিতানা হায়- মতম অমদা শিজিন্নফম খঙদনা হুন্দোক্তুনা মাংহল্লম্বা কিহোম মনাদগী লং পুথোকপগী থৌরাং অসিনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা কান্নবা খরদি পীরগনি। অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি লৌমিন্নদুনা সরকার অমসুং লৌমীশিংনা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখি।

চনুং (এল)ঃ চাক থোংনবা গ্যাস এল.পি.জি কমদৌনা শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চনুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা নিংথিনা তাকপী তন্বীখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং কলেজদা ঙসি য়ুবা কন্নেক্ট প্রোগ্রাম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নহারোলশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী ওহ্না দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ঙসি কোন্না থাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চান্দেলগী এস.দি.ও- রৈকিমদর খালিম য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সিবিসি (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস তমেংলোংনা শিন্দুনা ঙসি তমেংলোং হেদক্বাটরসতা লৈবা চিউলুৱানগী তাজৈ পাব্লিক স্কুলদা নারি শক্তি অমসুং ভিক্সিত ভারতকী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.বি.সি, পি.আই.বি, আর.ও. ইম্ফালগী রিজনেল দাইরেক্তর ডাঃ ইঙম পামেনা হায়- মহৈরোইশিংনা মতম মাংহনদনা লাইরিক লাইশু তম্বদা পুকিং চংগদবনি। ঙসিগী মহৈরোইশিংনা নোংমদি ঐখোয়গী লুচিংবশিং ওইরক্কদৌরিবনি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী কে. খোঙসাং মেমোরিয়েল হোলদা ঙসি নারি শক্তি অমসুং ভিক্সিত ভারতকী মতাংদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম(এল)ঃ নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী ৯৬ শুবা লমদা থাবুম মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা লাইনিংলোল ত্রষ্ট শোইবম লৈকাই অমদি অপোকপা মরুপ থৌশাংলেন শিংজমৈ অকাম্পাৎ অনিনা শিন্দুনা লাংঙোল লংদাইদা লাইনিংহল হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থাবুম মীফম অসিগী হয়েং নিনি চনবা নুমিৎতনা লাইনিং মীফম হায়বা হীরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্বোই খোংনাংখোঙ মমাঙ লৈকাইদা লৈবা ইবুধৌগী শংলেনদা পাঙথোক্কনি।

পিঐচই (এল)ঃ শিংজমৈ ৱার্দ নম্বর-১৭ তা লৈবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান শেমজিনবগী থবক চথুবা মরমনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিনা কোনবা মফমশিংদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমদা হায়- তুরেল তোর্বান শেমজিনবা অসিদা ঈশিং চিংখৎনবা ইনটেক পাইপ লাইন অসি হোংদোক হোংজিন তৌদুনা শেমজিনগদবা মরমনা, পাইপ লাইন অসি নিংথিনা শেমজিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা ঈশিং পীবা লেপখিগনি।

এম্বুলেন্স (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈদা লৈবা সৈনিক স্কুলদা ঙসি বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী এম্‌লেন্স অমা পীখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী জোনেল মেনেজর বিনায়াকুমার সিংহনা হায়- বেঙ্ক অসিনা কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতি স্কিমগী মখাদা এম্বুলেন্স অসি স্কুল অসিদা মতেং পাংবনি।

ত্রেনিং (এল)ঃ ড্রগ এন্দ ভেক্সিন দিষ্ট্রিব্যুসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী ত্রেনিং অমা ঙসি ইম্ফালগী শঙাইপ্রৌদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ অজিন মরিংমৈ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

বালি (এল)ঃ ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা লল্লোন ঈতিক্কী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ইন্তরনেসনেল কনক্লেভ অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। হৌখ্রে। সিঙ্গাপুরদা লৈবা ওন্তরপ্রেন্যুর অমনা শিন্দু পাঙথোকপা কনক্লেভ অসিনা মণিপুর অমসুং খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কী থবক হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। হায়রিবা কনক্লেভ অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মিমসকী প্রোফেসার ডাঃ সি.ঐচ. ইবোহল অমসুং য়ুমাম সনাজাউবা শরুক য়ারি।

পিএম ঃ ভারত অমসুং কানাদাগী মরক্তা ক্রিতিকেল মিনরেলস, রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং কলা সংস্কৃতিগী মতাংদা য়ান্নচে অহুম সহি তৌনখ্রে।

নিউ দিল্লিগী হাইদ্রবাদ হাউসতা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং কনাদাগী প্রধান মন্ত্রি মার্ক কারনিগী মরক্তা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নবদা য়ান্নচেশিং অদু সহি তৌনখিবনি। তুংদা লুচিংবা অনিনা পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ভারত অমসুং কানাদাগী মরক্তা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লল্লোন ঈতিক্কী থবক দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০ য়ৌহন্নবা পান্দম থন্নি।

ৱার ঃ ইজরেল অমসুং আমেরিকাগী চংশিন্নবা কাংবুনা মখা তানা ইরানদা মিসাইল অমদি দ্রোন শিজিন্নদুনা ঙসিসু এটেক চথুখি। অমরোমদা, ইরান অমসুং মখোয়বু শৌগৎপা মিলিসিয়াশিংনা গল্ফ লৈবাকশিংদা লৈরিবা আমেরিকাগী লান্মী লৈফমশিংদা ঙসিসু মখা তানা এটেক চথুখি। মখোয়না য়ু.এ.ই, কেট অমসুং বেহ্‌রানদা লৈবা আমেরিকাগী বেজ কেম্পশিংদা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক তৌখি।

মরক অসিদা, ইরানদা লান্দাবদা বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জরমনিনা আমেরিকাগা পুন্না চৎমিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু নোংইন ললাম্বুংনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোঙাম

লৈকাইবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে।

থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা ক্রাউ খমাম বজারবু ৱিকেট ৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ৱাই.দব্লিউ.সি থম্বালখোংনা তকৱা ৱিমেন্স কপ ২০২৬ কী চেম্পিয়ন ওইরে।

তকৱাগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি থম্বালখোংনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখি।

স্পোর্টস (এল)ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন(কে.এস.এ)না শিন্দুনা নুমিৎ ৬ নি চথুগদবা ১৪ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ইম্ফালগা মপাল কাংজৈবুংদা ঙসিদগী হৌখ্রে। অওনবা অমগীদমক শান্ন-খোৎনবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথেশক্কদৌরিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ফোর্তিন সি.এস.ওস কংলৈপাক অমসুং মনিৱুদ ক্লব মণিপুরগী ফুটবোল একজিবিসন মেটচ অমসু শান্নখি।

------